# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু পাকিস্টানগী নোংথক–লম ফাওদুনা চৎপা পাকিস্টাননা অমুক হন্না য়াহনখিদ্রে





**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনৈ হায়দুনা পাকিস্টাননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী সাউদি অরাবিয়াদা চৎকদবা খোঙচৎকীদমক মখোয়গী নোংথক লম শিজিন্নদুনা পাইবা য়াহন্নবা ইন্দিয়ানা হায়জখিবা অদু অমুক হন্না য়ারকখিদ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মহম্মুদ কুরেসিনা হায়খি, পাকিস্টাননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু লৈবাকসিগী নোংথক লম শিজিন্নবা য়াহন্দনবা ৱারেপ লৌরে হায়না রেদিও পাকিস্টানগী পাউনা হায়খি।

মিষ্টর কুরেসিনা অইবা ওইনা ৱারেপ অসি ইন্দিয়ান হায়–কমিস্নারদা থারগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্টরনেসনেল ব্যুজিনেস ফোরম অমা শরুক য়ানবা অমসুং মকোক থোংবা সাউদি লিদরসিপকা ৱারী শান্নবা হয়েঙ নিংথৌকাবা নুমিৎতা সাউদি অরাবিয়াদা চৎকদবনি।

সেপ্টেম্বর থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি শরুক য়ানবা য়ু এসতা চৎপা খোঙচৎকীদমক মাগী ফ্লাইট অদু পাকিস্টানগী নোংথক–লম শিজিন্নবা ইন্দিয়ানা হায়জখিবদা পাকিস্টাননা য়ারকখিদে।

মসিদসু নত্তনা পাকিস্টাননা থা অদুমক্তদা আইসলেন্দদা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা চৎকদবা ফ্লাইট অদুগীসু পাকিস্টানগী নোংথক লম শিজিন্নবা য়াহন্নবা ইন্দিয়ানা হায়জখিবদু য়াখিদে।

বালাকোটতা লৈবা জৈস–ই–মোহমেদ (জে ই এম ) টেরর কেম্প অমদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা লান্দাখিবা অদুগী মতুং ফেব্রুৱারী থাদা পাকিস্টাননা মখোয়গী নোংথক–লম থিংজিনখিবনি।

মদুগী মতুং মার্চ ২৭দা ন্যু দিল্লি, বেঙ্কোক অমসুং কুৱালা লুম্পুরগী খক নত্তনা ফ্লাইট পূন্নমক্কীদমক লৈবাক অদুনা মখোয়গী নোংথক–লম হাংদোকখি।

মে ১৫দা ইন্দিয়াদা পাইবা ফ্লাইটশিংগীদমক পাকিস্টাননা মে ৩০ ফাওবা মখোয়গী নোংথক লম থিংবগী মতম শাংদোকখি।

জুলাই ১৬তা সিভিলিয়ান ট্রাফিক পূন্নমক্কীদমক মদু অমুক মপুং ফানা হাংদোকখি।

অদুবু জুন থাদদি এস সি ও সম্মিট শরুক য়ানবা বিস্কেকতা চৎনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ফ্লাইট অদুগীদমক পাকিস্টাননা অখন্নবা মখোয়গী নোথক লম অদু হাংদোকখি। মখোয়না এয়ারস্পেস অদু হাংদোক্লবসু ইন্দিয়ানা প্রাইম মিনিষ্টরগী এয়ারক্রাফ অদুগীদমক পাকিস্টাননি এয়ার স্পেস শিজিন্নদনবা ৱারেপ লৌখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা আর্টিকল ৩৭০গী মখাদা পীরম্বা অখন্নবা ষ্টেটস অদু ইন্দিয়ানা ককথৎখিবা অমসুং ষ্টেট অদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ থোক্না খায়দোকখিবা অদুনা পাকিস্টানগী নাকন্দগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং মদুগী মতুংদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী মরক্তা উংখৎনবা ৱাংখৎলকখি।

ইন্দিয়ানা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লৌখৎলিবা খোঙথাং অদু লৈবাক মনুংগী হীরম অমনি হায়না ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিদা ময়েক শেংনা হায়খি অমসুং অশেংবা ফিভম অদু য়ানবা পাকিস্টানদসু পাউতাক পীখি।

# মনোহর লাল খত্তর হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

**চান্দিগড় , ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** বি জে পিগী মনোহর লাল খত্তরনা ঙসি অনীরক শুবা টার্ম অমগীদমক হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

চান্দিগড়গী রাজ ভবনদা পাংথোকপা থৌরম অমদা বি জে পিগী খোঙবু জননায়ক জনতা পার্টি (জে জে পি)গী চীফ দুয্যন্তা চৌতালাসু দিপুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টরশিং অমসুং মকোক থোঙবা বি জে পি লূচিংব কয়ানা শরুক য়াখি।

শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদ্দা, অকালি দল চীফ প্রকাশ সিংহ বাদল, মহাক্কী মচানুপা অমসুং সেনিয়ার পার্টি লিদর সুখবির বাদলনচিংবা য়াওরি। কোংগ্রেসকী ভুপিন্দর সিংহ হুদাসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।



হন্দক্তা লোয়শিনখিবা এসেমব্লি মীখলদা সিটি ৪০ ফংখিবা বি জে পিনা সিটি ১০ ফংখিবা জে জে পিগী দুয্যন্তা চৌতালাগা য়ান্নবা অমা পুরক্তুনা গভর্ণমেন্ট অসি শেমখিবনি।

সিটি ৯০ লৈবা হাউস অসিদা ইন্দিপেন্দেট ৭নসু বি জে পিদা শৌগৎলদুনা এলায়েন্স অসিগী পূন্না ৫৭ শুবা ঙমখ্রে।

ওজা লৌবগী মতাংদা শেনঞ্জা–থুমজাগী ৱাথোক অমদা কনভিক্সন ফংদুনা টিহার জেলদা লৈরিবা অজয় চৌতালাগী মচানুপা দুয্যন্তা চৌতালানা পার্টি ৱার্করশিংগা লোয়ননা সুপ্নগী থা ১১ খক্তদা মাগী ওর্গনাইজেসন অসি লিংখৎখিবনি।

পার্টি ৱার্করশিংনা হোৎনখিবা থবকশিং অদুনা ঙসিদি য়াইফরবা ফিভম অসি য়ৌনা চাওখৎপা ঙম্লে হায়না দুয্যন্তা চৌতালাগী মপা অজয় চৌতালানা ফোঙদোকখি।

মচানুপাগী ৱাশক লৌবা থৌরম অসি য়াওবা নংনবা ঙসি অয়ুক অজয় চৌতালানা জেলদগী চয়োল ২গী পেরোলদা থোক্লকখিবনি।

# চিনানা পাক ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টশিংদা স্কুল ৫৮ শাগদৌরি



**পেশাৱার, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা হান্নগী পাকিস্টানগী ফেদরেলি এদমিনিষ্টরদ ট্রাইবেল এরিয়াজ (এফ এ টি এ)দা হেস্পিটাল ৩০গা লোয়ননা খায়বর পাখতুনখৱাদা স্কুল ৫৮ শানবা অয়াবা পীখ্রে হায়না চাইনিজ এম্বেসেদর য়াও জিংনা হায়খ্রে।

মফম অসিদা সেমিনার অমদা ৱা ঙাংবদা চাইনিজ এম্বেসেদর জিংনা ঙরাং হায়খি, ঐখোয়গী ইপা–ইপুশিং পাকিস্টানগী অৱাং থংবা লমদমশিং ওইনা খঙনরিবা লমদম অসিদগী হৌরকখিবনি। মরম অদুনা হায়রিবা লমদমশিং অসি চাওখৎহনবনা ঐখোয়গী মরুওইবা থবক্নি।

রেলৱে লম্বীশিংনা কুৱেট্টা, চমনদগী গৱাদর অমসুং পেশাৱারদগী কাবুল অমসুং মখা তানা কাজখষ্টান য়ৌনা শন্নহন্নবগী মঙলিবা প্রোজেক্ট অদু চাইনিজ ফার্মশিংনা থবক পাংথোকপা য়ানবা লমদম অসিদা শান্তি অমসুং তংদু–লৈতাবা লৈবগী মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাকিস্টান অমসুং চিনানা এগ্রিকলচর প্রোজেক্ট ১০গী মতাংদা থবক চখরি হায়রদুনা এম্বেসেদর জিংনা প্লানিং কমিসন অমসুং পাকিস্টান এগ্রিকলচর রিছার্স কাউন্সিল (পি এ আর সি)গী খূৎথাংদা লৈবাক অসিদা এগ্রিকলচর লেবোরেটোরি ১০ লিংখৎনবগী প্রোপোজেলশিং অদু য়েংলগা মদুগী কান্নবা লৌনবা হায়র এদুকেসন ইনষ্টিট্যুসনশিংদসু অপিল তৌখি।

সি পি ই সিগী মাঙলানশিং অদু অশেংবা ওইনা মঙফাওনহনবদা খায়বরপাখতুনখৱানা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌগদৌরিবনি।

রিজন অসিদা পেসাৱারদা সেন্ট্রেল এসিয়াদা চৎনবগী থোঙজাও অদু ওইগদৌরি অমসুং ইকুই কুইদবা তুংদা কারাচিদগী পেসাৱার ফাওবগী রেল ট্রেকশিং অদু অনৌবা রেল সিষ্টেমসশিংগা চান্নবা অপগ্রেদ তৌরগনি হায়না মহাক্না মাখা তাখি।

পাকিস্টানদা চিনাগী এম্বেসেদর ওইরিবা য়াও জিংনা সেমিনার অদুদা মহৈরোইশিংগী স্কোলারসিপকীদমক পাকিস্টাননি রুপি মিল্লিয়ন ২গী চেক অমসু সহি তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা খাইবর পখাতুনখৱাগী গভর্ণর শাহ ফরমাননসু হায়র এদুকেসন ইনষ্টিট্যুসনশিংদা মিনরেল, এগ্রিকলচর অমসুং টেক্নোলোজি সেক্টরশিংগী গ্লোবেল দিমান্দ পীনবা ঙন্নবা আপিল তৌখি।

রো মেটরেল লৈফমশিংদা মেনুফেকচরিং অমসুং মার্কেটিং লেবোরেটোরি লিংখৎতুনা মফমসিগী ইন্দষ্ট্রিশিংগী মগুন হেনগৎন্নবসু মহাক্না চাইনিজ ওফিসিয়েলদা আপিল তৌখি।

# ‘সিরিয়াদা ওপরেসনগী মমাঙদা য়ু এসকা তেংবাংনখি’

**অঙ্করা, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস আই এস) চীফ অবু বাকর অল–বাঘদাদিদা টার্গেট তৌখি অমসুং হাৎখি হায়না য়ু এস মেদিয়ানা ফোঙখিবা ওপরেসন অদুগী মমাঙদা অঙ্করা অমসুং ৱাসিংটন অনীগী মরক্তা তেংবাংনখি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা টর্কিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সতা চথখিবা য়ু এস ওপরেসন অদুগী মাঙওইননা লৈবাক অনীমক্কী মিলিটরি ওথোরিটিজগী মরক্তা ই–পাউশিং পীনবা অমসুং তেংবাংনবগী থবক পাংথোকখি হায়না ত্বিইট অমদা টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি। অতৈ অকুপ্পা মরোনদি শন্দোক্না ফোঙদোক্লকখিদ্রে।



ইদলিব রিজন অদুদা য়ু এস মিলিটরিনা রেইদ অমা চথখিবা অদুগী মতুংদা নহানমখৈ মশক উবা ঙমদনা ফাবা নৎত্রগা হাৎপা ঙম্লকখিদ্রবা আই এস –আই এস চীফ অদু শিখ্রে থাজৈ হায়না ঙসি অঙনবদা হান্নমা য়ু এস মেদিয়ানা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাফম অদুগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোন্না হ্বাইট হাউসতা ষ্টেটমেন্ট অমা পীগনি।

হেলিকোপ্টরশিংনা বালিশা খূঙ্গংগী মপানদা য়ুম অমা অমসুং কার অমদা পান্দম থমখি। ওপরেসন অদুদা মীওই ৯ শিখি হায়না লন্দনদা লৈবা সিরিয়ান ওজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।

য়ু এস স্পিসিয়েল ওপরেসনস ফোর্সশিং অদুনা হেলিকোপ্টরশিংদগী হেক কুমথরকখিবগা সুইসাইদ ভেষ্ট অমা শেৎলিবা আই এস চীফ অবু বাকর অল–বাঘদাদিনা মহাক মশা মতোমতা শিজরমখিবা য়াই হায়না গভর্ণমেন্টকী লিখুলশিং পল্লদুনা য়ু এস মেদিয়া খরনা হায়খি।

# আই এসকী চীফ বাকর অল–বাঘদাদিনা মশা মতোমতা শিজখিরম্বা য়াই ঃ রিপোর্টস

**ৱাসিংটন, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** সিরিয়াগী ইদলিব লমদমদা য়ু এস মিলিটরিনা রেইদ অমা চথখিবগী মতুংদা আই এস আই এস চীফ অবু বাকর অল–বাঘদাদি শিখ্রে থাজৈ হায়না ঙসি অঙনবদা য়ু এস মেদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু গভর্ণমেন্টকী লিখুন কয়ামরুমগী ৱারোল পল্লদুনা মেদিয়ানা য়ু এস স্পিসিয়েল ওপরেসন্স ফোর্সশিংনা হেলিকোপ্টরশিংদগী কুমথরকখিবগা লোয়ননা বাঘদাদিনা মশানা শেৎলিবা সুইসাইদ ভেষ্ট অদুনা পোকখায়হল্লগা মশা মতোমতা শিজখিরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

আই এস চীফ অসি য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অয়াবা পীবা অরোনবা ওইনা থৌরাং তৌখিবা ওপরেসন অমগী টার্গেটনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

আই এস আই এসকী মথক্তা য়ু এসনা লূচিংলিবা কোলিসনননা মতম শাংনা ওপরেসন চথরকখিবদা বাঘদাদিবু শিরে হায়না হৌখিবা চহী খরদা কয়ারক হন্না লান্না–লান্না পাউ ফোঙলকখি।



চহী ৫গী মনুংদা অহানবা ওইনা ন্যুজ ভিদিওদা আই এস লিদর অল বাঘদাদিনি হায়বা অমা থোক্লকখি। চহী ৫গী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা আই এস আই এসনা মখোয়গী লূচিংবা অবু বাকর অল–বাঘদাদিদগী পীরকপা ভিদিও মেসেজনি হায়বা অমা ইস্লামিক ষ্টেট মেদিয়া নেটৱার্কনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙখি।

য়ু এস ওপরেসন অদুদা শিখিবশিং অদুগী মশক খঙদোক্লবা বাইওমেট্রিককী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা এ বি সি ন্যুজদা হায়খি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা নোংমাইজিংগী অয়ুক পূং ৯ (১৩০০ জি এম টি)দা মরুওইবা ষ্টেটমেন্ট অমা পীগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা লাওথোকখ্রে।

আই এস আই এস চীফ বাঘদাদি মশাগী চহী ৪৮লোম শুরে। মহাক ইরাককী নেটিব অমনি মহাক্না শাথিবা টেরোরিষ্ট মুভমেন্ট অমবু সিরিয়া অমসুং ইরাককী পাক–চাওবা লমদমশিং কোনশিনবা মখোয় মশাগী ‘খালিফেট’ টেরিটোরি অমা ২০১৪দা লিংখৎতুনা অচৌবা শক্তি অমা ওইহল্লকখি।

মীচম লিশিং কয়া শিখিবা মকোক কত্তুনা অমসুং কাপ্তুনা, হাৎখিবগীদমক আই এস আই এসপু মরান শীরি অমসুং ৱার ক্রাইমগীসু মরান শীরি।

য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসন ফোর্সনা আই এস আই এসকী ওর্গনাইজেসনশিংবু তপ্পা তপ্পা থুগাইরকখিবা অমসুং চহী ২গী কেম্পেনদা মখোয়গীনি হায়বা টেরিটোরি অদুদগী মখোয়বু তাম্থোরকখিবা অমসুং অরোইবদা চহী অসিগী মার্চতা আই এস আই এসকী মথক্তা মায় পাক্লে লাওথোকখিবা অদুগী মতুংদগী বাঘদাদিনা মীচেল ওইনা লৈরকখি।

মহক্কী লৈফমগী মতাংদা ই–পাউ পীবা ঙম্বদা দোল্লর মিল্লিয়ন ২৫গী রিৱার্দ অমা পীগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লাওথোকখি।

চহী অসিদা তাঙনা থোকপা ভিদিও অমসুং ওদিও মেসেজশিংদা বাঘাদদিনা য়ু এসকা খূৎশন্নবা সিরিয়ান দেমোক্রেটিক ফোর্সশিংনা অৱাং–নোপোক থংবা সিরিয়াদা ফাদুনা থল্লিবা মখোয়গী কম্মরেদ লিশিং কয়াবু থাদোক্নবা হোৎননবা অমসুং অমুক হন্না পূনশিন্নবা আই এস আই এস ফাইটরশিংদা আপিল তৌখি।

## ফিনুংগী হকচাং কয়াৎ ককথৎলবা শিন্মী ৩গী হকচাং ফংলে

**পিথোরগড়, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** উত্তরখন্দদগী পিথোরগড় দিষ্ট্রিক্টকী ঊমং অমগী মনুংদা মী লৈনদবা য়ুম অমদগী মখোয়গী ফিনুংগী হকচাং কয়াৎশিং ককথৎলবা নেপালদগী শিন্মী ৩গী অশিবা হকচাংশিং ফংলে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

হকচাংশিং অদু অনকপা খুন অমগী নুপী অমা ঙরাং থাংজগী নুমিদাংদা অহানবা উরকখিবনি। হকচাংশিং অদুগী মনুংদা ২দি হরিশ বোরা অমসুং কাসি বোরা কৌই হায়না খঙলে। ৩শুবা মীওই অদুদি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

## নরেন্দ্র মোদিনা লান্মীশিংগা দিৱালি পাংথোক্কদৌরি

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পাকিস্টানগা তাইনবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) ঙাক–শেল্লিবা আর্মি ট্রুপশিংগা পূন্না দিৱালি থৌরম পাংথোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ষ্টেট অদুগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টতা থুংখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লাক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি ১৯৪৭দা পাকিস্টাননা শৌগৎপশিং তাম্থোকখিনবা ষ্টেট অসিদা অহানবা ইন্দিয়ান ট্রুপশিং খোঙথারকখিবা অদু নিংশিংদুনা পাংথোকপা ‘ইনফেন্ট্রি ডে’ থৌরমগসু চান্নরি।

প্রাইম মিনষ্টির নরেন্দ্র মোদিনা এল ও সি পরিং অদুদা ঙমখৈ ঙাক–শেলহন্নবা থল্লিবা ট্রুপশিং অদুগা উন্নদুনা ৱারী–ৱাতাই শান্নবা ঙমখৈগী দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লৈরিবা আর্মি ব্রিগেদ হেদক্বার্টরসতা চুমদিং পাইরকখি হায়না ওফিসিয়লশিং অদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙমখৈগী ষ্টেট অসিদা আর্মি ট্রুপশিংগা দিৱালি থৌরম পাংথোন্নিননবা লাকখিবসি ২০১৫দগী মসিনা ৩লক শুবনি অমসুং আর্টিকল ৩৭০গী প্রোভিজনশিং মুথৎখিবা অদুগী মতুংদনা অহানবনি।

## ১ শিরে, ৩৫ শোক্লে

**বন্দা, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** উত্তর প্রদেশকী বন্দাদা স্পীদ ব্রিকর অমদা থেঙ্গাইবদা বস অমা মথঙ্গা ওনবদগী নুপামচা অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ পেসেঞ্জর ৩৫ শোকখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু বুজরগা খূন মনাক্তা থোকখিবনি। বস অদু কানপুরদগী লাইখুরুম্বা মীওইশিং পুরকখিবনি। মীওই ১০ রোমদি অরুবা ফিভমদা শোকখি।

বস অদু খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখি অমসুং স্পীদ ব্রিকর অমা চোংলগা চৎখি। মদুদা বস অদু মথঙ্গা ওনবদগী মফম অদুমক্তদা পেসেঞ্জর ১ শিরগা অতৈ পেসেঞ্জর ৩৫ শোকখিবনি। মখোয় অদু হোস্পিপটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়দুনা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস গনেস প্রশাদ শাহানা হায়খি।

## কেদরনাথ মনাক্তা ক্রাস তৌখিবা হেলিকোপ্টর ১ এয়ার ফোর্সকী চোপ্পর অনীনা লৌখৎলকখ্রে

**কেদরনাথ, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** ফুট ১১,৫০০গী মথক্তা ৱাংবা কেদরনাথ হেলিপেদতা হন্দক্তা ক্রাস তৌখিবা সিভিলিয়ান এয়ারক্রাফ অমা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স(আই এ এফ)কী হেলিকোপ্টর ২না মায় পাক্না লৌখৎলকখ্রে।

কেদরনাথকী য়াম্না অৱাংবা লমদম অদুদগী য়ু টি এয়ার প্রাইভেট লিমিটেদকী ক্রাস তৌখিবা এয়ারক্রাফ অমা লৌখৎলুনবগী য়াম্না শীংননিঙাই ওইবা থবক অমা পাংথোক্লবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী এন আই ১৭ ভি ৫ হেলিকোপ্টরশিংদা ওক্টোবর ২৬তা থবক শিন্নরকখি হায়না আই এ এফকী ৱাঙাংলোইনা ঙসি ফোঙদোকখি।



এয়ারক্রাফ অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কেদরনাথ লাইশঙগী মনাক্তা লৈবা হেলিপেদ অদুদা ক্রাস তৌখিবনি।

ঙরাং থাংজগী অয়ুক্তা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্টর ২ অদুনা থবক চথবা হৌখি। হেলিকোপ্টর ১না লোজিষ্টিকেল সপোর্ট পীখি, অতোপ্পা হেলিকোপ্টর অদুনা সিভিলিয়ান এয়ারক্রাফ অদুবু থৌরিনা থুরগা চিংখৎলক্লবগী থবক শিজিন্নখি হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

ক্রাস তৌরবা হেলিকোপ্টর অদু ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অমগী মখাদা কোচিনা কোৎশিল্লগা অখুবা তম্পাক অদু ফাওদুনা দেরাদুন মনাক্কী সহষ্ট্রধরাদা অমুক হন্না পাইরকখি।

কেদরনাথকা ফাউনবা য়ারিবা অসি সুপ্নগী খোঙচা চৎপা য়াবা অখুবা লম্বী খক্তনি। মরম অদুনা ক্রাস তৌখ্রবা হেলিকোপ্টর অদু লৈখাদা পুথোক্লক্লবগী ওইথোক্লিঙাই লৈখিদে।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা অথিংবা থমখিবা মতুংদগী লূপা ক্রোর ১০,০০০গী লল্লোন–ইতিক মাঙখি

**শ্রীনগর, ওক্টোবর ২৭(এজেন্সি)ঃ** কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পীরম্বা স্পিসিয়েল ষ্টেটস অদু সেন্টরনা লৌথোকখিবা মতুংদগী সেন্টরনা সেক্যুরিটিগী অথিংবশিং থমখিবা মরম্না থা ৩দা লূপা ক্রোর ১০,০০০গী চাংদা মাঙখ্রে হায়না লল্লোন–ইতিক্কী বোদি অমনা হায়খ্রে।

কাশ্মির চেম্বর ওফ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী প্রসিদেন্ট শৈখ আসিকনা হৌজিক ফাওবা কাশ্মির তম্পাক্তা মহৌশাগী ফিভমদা লৈত্রিবা মরম্না মাঙখিবশিং অদুগী মওং অদু চপ চানা লেপ্পদা অরুবা ওইরি হায়খি।





কাশ্মিরগীদমক লল্লোন–ইতিক্তা মাঙলক্লিবসি লূপা ক্রোর ১০,০০০ হেনখ্রে অমসুং মসিনা সেক্টর পূন্নমক্তা শাথিনা শোকহনখ্রে।

হৌজিক থা ৩ লোম ফারক্লে। অদুবু ওইরিবা ফিভম অসিগী মরম্না মীয়াম্না ব্যুজিনেস তৌবা হৌদ্রি। হন্দক চয়োল খরদা লল্লোন–ইতিককী থৌওং খরা চথখি অদুবু ঐখোয়না ফংলিবা পাউগী মতুং ইন্নদি লল্লোন–ইতিক অসি হৌজিকসু য়াম্না তন্থনা লৈরি হায়না পাউগী এজেন্সি পি টি আইদা মিষ্টর আশিখনা হায়খি।

হৌজিক্কী মতমদা ব্যুজিনেস অমা হেক্তগী অহৌবা মথৌ তাবা অসি ইন্টরনেট ফংবনি। ঐখোয়না মফম অদু এদমিনিষ্ট্রেসনদা খঙহনখ্রবনি। কাশ্মিরদা ব্যুজিনেসশিং শোকহল্লগনি অমসুং শেন–থুমগী ফিভম শোথহল্লগনি। মসিনা তুং কোইনা অচৌবা ফত্তবা ফল তাহনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

সেক্টর কয়ারুমগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা মিষ্টর আসিখনা হায়খি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অসিমক চাওখৎলিবা সেক্টর অমনি। য়ু এস অমসুং য়ুরোপতা সার্ভিসশিং পীরিবা কম্পেনি কয়া কাশ্মিরদা লৈ। ইন্টরনেট ফেসিলিটিশিং মুথৎশ্রবনা মখোয়গী ব্যুজিনেসশিং শোকহনখ্রে, অদুগা হেন্দিক্রাফ সেক্টরদসু জুলাই–আগষ্টতা সেক্টর অসিগী মীওইশিংনা ওর্দরশিং ফংলি অমসুং খৃষ্টমাস অমসুং ন্যু ইয়ার মতমদা পোথোকশিং অদু পীখিগদবনি। অদুবু হৌজিক কন্নেক্টিভিটি লৈতবনা ওর্দর ফংদ্রে। ফিশাবী অমসুং খূৎ–হৈবা ৫০,০০০ রোম হেনবগী থবক মাঙহল্লে হায়খি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 08/10/19
Valid : 07/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Khoriphaba Gas**
Booking : 14/10/19
Sl. No. : 5130 to 51651
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Heingang Indane**
Booking : 18/10/19
Valid : 06/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.30 a.m.
First Come First Serve

**Swombung Indane**
Booking : 12/09/19
Valid : 10/09/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**RBD Indane**
Booking : 03/10/19
Valid : 25/09/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**J Rongmei Indane**
Booking : 20/09/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 02/10/19
Valid : 23/09/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 29/09/19
Valid : 25/09/19
Sl. No. : 279404
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30

**K & K Indane**
Booking : 07/10/19
Valid : 04/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 12/10/19
Valid : 11/10/19
Stk : 306
First Come First Serve

**Hiyangthang Indane**
Booking : 10/09/19
Sl. No. : 300
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00

**Maibia Gas**
Booking : 04/10/19
Valid : 04/10/19
Sl. No. : 4461 to 4800
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Heirok Indane**
Booking : 08/10/19
Valid : 02/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-283**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | 3 | | 9 | | 4 | |
| | 9 | | | 7 | | | 3 | 5 |
| 2 | | 8 | | 4 | | | | 7 |
| 3 | | 7 | 4 | | | 9 | | |
| | 5 | | | 1 | | 3 | 2 | |
| 8 | | | | | 3 | 4 | | |
| 9 | | | | | 5 | 7 | | 4 |
| | 7 | 3 | | 8 | | | | |
| | 4 | | 7 | | | 5 | | |

সনা–সুদোকু – ২৮২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 8 | 2 | 3 | 1 | 4 | 9 | 7 |
| 1 | 3 | 2 | 7 | 9 | 4 | 8 | 5 | 6 |
| 4 | 9 | 7 | 8 | 5 | 6 | 3 | 1 | 2 |
| 2 | 4 | 9 | 1 | 7 | 8 | 6 | 3 | 5 |
| 8 | 5 | 1 | 9 | 6 | 3 | 2 | 7 | 4 |
| 6 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 1 | 8 | 9 |
| 9 | 8 | 4 | 6 | 1 | 7 | 5 | 2 | 3 |
| 7 | 1 | 6 | 3 | 2 | 5 | 9 | 4 | 8 |
| 3 | 2 | 5 | 4 | 8 | 9 | 7 | 6 | 1 |